**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-10-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈরাও ৱাংখেমগী ঙারিয়ান চীংগী চীংখোঙদগী খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে। ময়াই কাবা নিশা লল্লোনবা মীওই ৫ ফারে।

২) নাগালেন্দনা যুম্বু ওইদুনা ২২ শুবা কম্মনৱেলথ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিয়েসনগী চহিগী মীফম মথং থাদা পাঙথোক্লগনি।

অমসুং

৩) নোংলৈ নুংশিৎ মোন্থানা অন্ধ্র প্রদেশ অমদি ওরিষাগী মফম কয়াদা অকনবা নুংশিৎ য়াওনা নোং চুরে। অৱাং নোংপোক লমদমদা থা অসিগী ৩১ ফাওবদা অখাক অরাউ য়াওনা নুংশিৎ শিৎকনি।

------

পুলিস(এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কৈরাও ৱাংখেমগী ঙারিয়ান চীংগী চীংখোঙদগী খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে। খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা তুয়েল্ব বোর দবল বেরেল রাইফল ১, তুয়েল্ব বোর সিঙ্গল বেরেল রাইফল ২, মেগজিন য়াওবা পোইন্ট ৩২ পিষ্টোল অমা, হেন্দগ্রেনেদ ২, নোংমৈ মরু, ইন্সাস রাইফলগী মেগজিন, মোর্টার সেল অমদি অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফংলে।

মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- হৌখিবা নিংথৌকবা নুমিৎতা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থি হুম্বগী থবক

চথুবদা ইম্ফাল ইষ্টকী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা লংদুম অৱাং লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফাখি। মঙোন্দগী গ্রেনেদ অনি ফংলে।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াংইম্ফাল পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ময়াংইম্ফাল অনি লোংবী খুলদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী হকচিনবা মীওই অমা মশাগী ময়ুমদগী ফারে।

নুমিৎ অসিমক্তদা মণিপুর পুলিসনা সেনাপতি জিলাগী নেসনেল হাইৱে-টুগী টি-খুল্লেনদগী গঞ্জা পুদুনা চৎলম্বা মীওই অহুম ফারে। মখোয়দগী কিলোগ্রাম ৯ লোম লুম্বা তোঙান তোঙানবা পেকেট ১৭ তা হাপ্লম্বা গঞ্জা ফারে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা বাসিখোং থোং লম্বী ক্যামগৈ তাখোক্তগী ড্রগ লল্লোনবা অনি ফারে। মখোয়দগী হিরোইন গ্রাম ৩৬ রোম ফংলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা তেংনৌপল জিলাগী লোইসি খুলদা লৈবা উমংদগী লুপা লাখ ৮ লিশিং ৬৬,৪০০ রোমগী মমল ওইগদবা কার্তুন ২৯ দা হাপ্লম্বা ৱিন চুরুট ফাগৎলে।

এআর (এল) ঃ কুকি জাতিশিংগী লৌরোক মতুং কুম্মৈ চবাংকুটকা মরী লৈননা তেংনৌপল জিলাগী দি-জালেংবুং খুলদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা ইন্তর ভিলেজ স্পোর্টস তুরনামেন্ট পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, থা ৬ কী ওইবা প্রি-রিক্রুটমেন্ট ট্রেনিং প্রোগ্রাম চুরাচান্দপুরদা লোইশিনখ্রে। মদুদা আগি বির রিক্রুটমেন্ট রেল্লিদা শরুক য়াগদবা নহা ১২৪ রোম ট্রেনিং পীখি।

কুম্মৈ (এল) ঃ লিয়াংমৈ জাতিশিংগী লৌরোক মতুং কুম্মৈ চগা ঙি হয়েং পাঙথোক্লগনি। লিয়াংমৈ নাগা কতিমাই রুৱাংদি মণিপুরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- চগা হুই থা মনুংদা চগা ঙি অসি অহল অমসুং নহা ওইরিবশিংনা পুন্না পাঙথোকৈ। লৌরোক মতুং নুংঙাইবা ফোংদোকপা ওইনা কুম্মৈ অসি

লিয়াংমৈ নাগা ত্রাইবশিংনা মপুগী মফমদা থৌনিজবা অমদি মহৈ মরোং নিংথিনা পীবগীদমক মপুবু থাগৎচবগী থৌরম পাঙথোকই। মসিদা মীপুম খুদিংমকা শরুক য়াবীনবা আপীল তৌরক্লি।

নাগালেন্দ ঃনাগালেন্দনা য়ুম্বু ওইদুনা ২২ শুবা কম্মনৱেলথ পার্লিয়ামেন্টরি এসোসিয়েসন (সি.পি.এ)গী চহিগী মীফম মথং থাদা পাঙথোক্লগনি। ইন্দিয়া রিজন জোন থ্রিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসি নাগালেন্দ বিধান সভাদা মথং থাগী ৯ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি। মসিগী হিরমদা পোলিসি, প্রোগ্রেস এন্দ পিপল-লেজিসলেচর এজ কেটালিষ্ট ওফ চেঞ্জ হায়বসিনি। সি.পি.এ ইন্দিয়া রিজন জোন থ্রি অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনবদা অৱাং নোংপোক রাজ্য ৮ গী ওইনা মরুওইবা প্লেটফোর্ম অমা ওইগনি। মসিদা ইকোনোমিক দিভলপমেন্টতগী পোলিসি ইসু অমদি লমদম অসিবু অমত্তা ওইনা চাওখৎমিন্নবগী ৱাফমশিং খন্নগনি।

নাগালেন্দ বিধান সভা সেক্রেতরিয়েটকী সেক্রেতরি ইনচার্জ কে. রিওনা হায়- মীফম অসি লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা চীফ পেত্রোন ওইগনি। অদুগা মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা ভাইস পেত্রোন ওইগনি। শ্রীমতি রিওনা হায়- নুমিৎ মঙানি চথুগদবা মীফম অসিদা প্লেনারি সেসন, এক্সপার্টশিংগী পেনেল, ৱার্কসোপ, একজিবিসন অমসুং কলা সংস্কৃতিগী থৌরমশিংসু পাঙথোক্কনি।

সাইক্লোন ঃ  নোংলৈ নুংশিৎ মোন্থা য়ৌশিল্লকপগা লোয়ননা অন্ধ্র প্রদেশতা নোং চুরে। মফম খরদা উ-ৱা তেকপদগী লম্বী চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরে। লৈবাক্কী মফম কয়াদা পাক শন্না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে।

ইন্দিয়া মেট বিভাগনা হায়- অন্ধ্র প্রদেশকী মসলিপতম অমসুং কলিঙ্গপতমগী মরক্তা নোংলৈ নুংশিৎ অসি পুং কিলোমিতর ৯০ দগী ১০০ ফাওবা য়াংনা শিৎলবা য়াই। মসি তপা তপা পুংদা কিলোমতির ১১০ গী মথক্তা য়াংশিল্লক্কনি।

মরক অসিদা, বিভাগ অসিনা ঙসি ওরিষাগী মফম কয়াদা য়ামা কনবা নোং চুগনি হায়না রেড এলার্ট লাউথোকখ্রে। অন্ধ্র প্রদেশ, তেলঙ্গনা, ছত্তিসগর, গঙ্গেতিক ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং কেরলাগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা অকনবা নোং চুগনি। বিভাগ অসিনা হায়- অৱাং নোংপোক ভারত, লক্ষদ্বিপ, অন্দমান অমসুং নিকোবর ঈথৎ, করনাতক্কী মফম খরা, রাজস্থান অমসুং উত্তর প্রদেশকী মফম কয়া থা অসিগী ৩১ ফাওবা অখাক অরাউগা লোয়ননা ময়াই ওইরপ নুংশিৎ শিৎকনি।

মরক অসিদা, এন.দি.আর.এফকী টিম ৬ য়ুনিয়ন তেরিতোরি অমসুং রাজ্য ৬ তা থাজিনখ্রে। অন্ধ্র প্রদেশতা টিম ১২ অমসুং ওরিষাদা টিম ৬ থাজিনখ্রে।

কেবিনেটঃ কেন্দ্রগী মন্ত্রি-মন্দলনা ৮ শুবা সেন্ত্রেল পে কম্মিসনগী টার্ম ওফ রিফরেন্স অয়াবা পীখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা মন্ত্রি-মন্দলগী মীফম লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা হায়-কম্মিসননা মসিগী কন্সটিটুস্যসন শেমখিবা তারিখতগী হৌরগা থা ১৮ ফাওবগী মনুংদা রিকমেন্দেসন পীগনি। মহাকা হায়- সরকারগী থৌরাং অসিনা কেন্দ্রগী কর্ম্মচারি লাখ ৫০ অমসুং পেন্সনর লাখ ৬৯ লোমদা হেন্না কান্নবা পীরগনি।

শ্রী অস্বিনি বৈষ্ণোনা হায়-মন্ত্রি-মন্দলনা ফোসফেটিক অমসুং পোতাসিক ফরটিলাইজরদা নীংথম লৌরোক্কী ওইনা ন্যুত্রিন বেস সবসিদি রেট পীবদা অয়াবা পীখ্রে।

মন্ত্রিনা হায়-রবি লৌরোক্কী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৩৭,৯৫২ সবসিদি পীবদা মন্ত্রি-মন্দলনা অয়াবা পীরে। হায়রিবা রেট অসি ওক্তোবর অমদগী চৎনবা হৌগনি। মসিনা লৌমীশিংদা অতাবা মমলদা হার ফংহনগনি। মহাকা হায়- দাই এমোনিয়ম ফোসফেট অমসুং নাইত্রোজেন, ফোসফরস, পোতাস, সলফরদসু সবসিদি পীরে।

বিহার ঃ বিহারদা ছথ পুজাগী কুম্মৈ লোইশিনখিবগা লোয়ননা ভোৎ খোন্বগী থবক কনখৎলক্লে। মীখল পাঙথোক্কদৌরিবা রাজ্য অসিদা এন.দি.এ অমসুং গ্রান্দ এল্লায়েন্সকা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা রাজনীতি দলশিংগী লুচিংবশিংনা মীখলগী কেম্পেনশিংদা শরুক য়াখি।

মরক অসিদা, মহা গটবন্ধন কাংবুনা মখোয়গী অপুনবা মীখলগী মেনিফেষ্টো ঙরাং ফোংখ্রে। মেনিফেষ্টো অদুদা মখোয়না সরকার পায়রক্লবদি মীয়ামগী হকশেল, শিক্ষা, সোসিয়েল ৱেলফ্যার অমসুং থবক ফংদবগী হিরমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং চংগনি হায়রি।

অরুনাচল ঃ৬৯ শুবা নেসনেল স্কুল গেমস ২০২৫ ঙরাং অরুনাচল প্রদেশকী ইতানগরদা লৈবা খেল্লো ইন্দিয়া ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা মুখ্য মন্ত্রি পেমা খন্দুনা হৌদোকখ্রে। চহি ১৭ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী বোক্সিং ইভেন্ট অসি চহি ৭১ গী মতুংদা অহানবা ওইনা অরুনাচল প্রদেশতা পাঙথোকপনি।

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

সনালৈবাক পাউচেদা- মণিপুর পুলিসকী আর্মরিদগী লাকখিবা খুৎলায় বিহারদা লৈরম্বা থেংনরে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

আইট পে কম্মিসনগী টার্ম ওফ রিফরেন্স য়ুনিয়ন কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

দেঙ্গি কেস হেনগৎলকপগী মতাংদা এম.ঐচ.আর.সিনা সু মোতো কেস লৌখৎখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা গঞ্জা অমদি হিরোইন পাউদরগা কোন্ননা মীওই ৫ ফারে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

মী ১৮ শিখিবা জন্ ১৮ থৌদোক্কী সি.বি.আই ক্লোজর রিপোর্ট পীখৎখ্রে, কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে, মরাল শিরিবা পার্সোনেলশিং কৌখৎখ্রে হায়না শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

চুরাচান্দপুরদা চংজফম লৌরিবা আই.দি.পিশিংগী মনুংদা কাংপোকপীদগী লাঞ্জেন্নরকপশিংনা খ্বাইদগী য়াম্লন্লে হায়না হুইয়েন লানপাউদা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

পাউ অসিগী মখাদা সব-হেদলাইন ওইনা- দিষ্ট্রিক্ট ১১ দগী লাঞ্জেন্নরকখিবা আই.দি.পি লিশিং ২,১৭৯ না মখোয়গী অমাং অতা থোকখ্রবা য়ুম-কৈনচিংবগী দেমেজ এসেসমেন্ট হোমশিং দি.সিদা পীখৎলকখ্রে হায়না ফোংলি।

দ পিপলস ক্রোনিকলদা- চুরাচান্দপুরগী ভিজেল চীফ অমা য়ুনাইতেদ কুকি নেসনেল আর্মিনা ফুবদা লৈখিদ্রে হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্ম্যুনিকেসন, রিজনেল ওফিস ইম্ফালনা স্বাচতা হি সেবাগী মখাদা লু-নানবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না মণিপুর মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- অনিসুবা ওল নাগা দিষ্ট্রিক্ট বেদমিন্টন তুরনামেন্ট সেনাপতিদা হৌদোকখ্রে হায়না ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- ১৮ লক শুবা তমেংলোং ওরেঞ্জ ফেষ্টিভেল পাঙথোকবা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মীফম পাঙথোকখ্রে হায়না ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউ অমা দি চম অমসুং তমেংলোং টাইমসতসু হেন্দলাইন তৌদুনা ফোংলি।

-------